ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ১৩, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৫৪শুবা মশীং

## লোগী ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লকসি

### মীয়ামদা কান্নবা য়াম্না পীগনি

মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ-কাংলূপ পূম্নমক্কী মীওইশিং লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন, লো খঙদে হায়বা নত্তে। সিভিল লো অমসুং ক্রিমিনেল লোশিং খঙলমগনি। সিভিল প্রোসিজর কোদ য়াওনা ইন্দিয়ন পিনাল কোদ, ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদসু খঙলমগনি। মপূং ওইবা লোশিং অসিগী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, অন-লোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টনচিংবশিংসু শোয়দনা খঙলমগনি। মরমদি মণিপুরনা লাইরিক হৈরক্লিবসি কুইরে। হৌজিক য়ুনিভর্সিটি ফাওবগী থাক্তা অৱাংবা মহৈলোয়শঙ খরা ফাওবা লৈরক্লবনি। অদুবু মণিপুরগী মীয়াম্না খঙবা লো অমসুং লোগী প্রোভিজনশিংদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট (অফস্পা) অমসুং দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটসকী মতাংদা খঙবনা খ্বাইদগী হেল্লমগনি। মরমদি এক্টসিনা মথৌ শঙলবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মণিপুরদা চথখিবা থবকশিংসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। পূম্নমকশিং অদুদগী এক্টসিগী মায়োক্তা ইরোম শর্মিলানা চহী ১০ হেন্না চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। মৈরা পায়বীশিং য়াওনা মীয়ামগী লূপশিংনা ব্লেক লো, দ্রেকোনিয়ন লোনি হায়রিবা এক্টসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে হায়বসি এক্টসিগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক কোকথোং অমা থোকখ্রবনি। এক্টসিগী মতাংদা মনুং থিংনা খঙলম্লগনি হায়বনি। করিগুম্বা অমা মীপূম তিংনা খঙহনগে হায়রবদি করিগুম্বা অদুগী মতাংদা, মদুগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিমক্কী পান্দমনি হন্দক চহী ২ থংন-থংননা পাঙথোক্লদ্রবসু মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী থৌরমশিং শেল ময়াম চঙলবসু মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রিবনি। মণিপুরগী এনদেঞ্জর্দ ওইরক্লবা সঙাইগীদমক্তনি। মসিগী পরিংসিদা লাক্লবদি মণিপুরদা হৌজিক চৎনরিবা এক্ট/রুল ময়ামসিবু মীয়ামদা শিৎ-নান্না খঙহন্নবগীদমক লোগী নৎত্রগা লিগেলগী ওইবা ফেষ্টিবেল পাঙথোকফম থোক্তব্রা? মসিগী কান্নবা ফংবা ঙস্লোইদ্রা?

ৱাহংসি হংলকই হায়দুনা মণিপুরগী মীয়াম লো খঙদ্রে, মীপূম খুদিংমক্না লোগী মায়োক্তা লেপ্লে হায়বা নত্তে। লো এবাইদিং সিটিজেনশিংগী মশীংসু কোকথোং অমা লৈরিবনি। অদুবু লো থুগাইদুনা খোঙনেৎনরক্তুনা মানা মানা পাম্বা ক্রিমিনেলগী য়াওনা অতৈ ওফেন্সশিংদি কম্মিট তৌনরকপা লেপত্রি। ইশম-শম্বদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপা লেপত্রি। থৌদোকশিং অসিগী মনুংদা নুপীদা চথবা সেক্স্যুএল এসোল্টকী কেসশিং য়াওনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো), এক্ট অমসুং দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকা মরী লৈনবা থৌদোকশিং খিৎ নম্না থোক্লি। খ্বাইদগী থেংনা থোকখিবা থৌদোক্তা দিসেম্বর ৩, ২০২২দা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সিক্সতমক তম্লিবী মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইহিরবী নুপীমচা অমা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবগী থৌদোক থোকখ্রিবনি। মসি ওইরবদি মণিপুরদা চৎনরিবা এক্ট/রুল পূম্নমক লোইনা কোনশিল্লুবদা য়াম্না য়ামগদবা ওইরবসু য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক খরগা মরী লৈনবা এক্ট/লোশিংদি মীয়াম হুপ্না খঙমিন্ননবা ফেষ্টিবেল অমা ফাওবা পাঙথোকপদা করি কাইবগে? মসিগী কান্নবা ফংলোইদ্রা? নাকল অমরোমদা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) শিংগা খূৎশম্নরগা তোঙান তোঙানবা লোগী প্রোভিজনশিংগী মতাংদা এৱ্যেরনেস/সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লি। শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিংগী ষ্ট্রিট প্লে ফাওবা উৎলি। তৌদে হায়বা নত্তে, তৌই। অদুবু কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা য়ৌশিনবা ইৱাৎ-ৱাৎপদৌনা তৌই হায়বনি। হোয়, লো অমসুং লিগেলগী ফেষ্টিবেলমক পাঙথোক্তুনা মশক খঙহন্নবা হোৎনরকপনা ক্রাইমশিং অমত্তা থোকহন্দবা ঙমখিদববুদি য়াই। অদুবু খরদংদা ওইরবসু হন্থহল্লকপদা মতেং ওইনরোইদ্রা হায়বনি। তোয়না থোরকপা ফত্তবা থবক অমগী মায়োক্তা শেন্নকপা লো অমা তরাম্না ওক্তুনা মশক খঙবা অদুগা মীয়াম হুপ্নসু খঙহন্নবা হোৎনবগী ফেষ্টিবেল পাঙথোকপদা অকাইবা লৈগদবা মান্দে। মসিগী মথক্তা নুপী অঙাংদা চথবা থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল অথুবা মতমদা চথদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবনসু অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি। পূম্নমকসি ওইরগদি মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক লো খঙমিন্ননবা হোৎনবা চুমগনি। মীয়ামসু লৈঙাকসু কোক চুংশিন্নবা মথৌ তাই। মীয়ামসু অফবদি তৌই হায়ববু লৈকায়দা খুলদা লৈবা ৱাটর বোদিশিংদি শেমগৎতে, অনৌবা লৈহন্নবসু হোৎনদে। কম্ম্যুনিতি হোল শাবদদি থৱায় লুপ্নে অদুগা ঈশিং ফংদ্রগনা লৌ শিংলি, লৈঙাক্তদা তায়নবগী ফীভমদু লো অমসুং এক্টশিংগী মতাংদদি তৌরগুমসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) **“অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) **“বাস্করবিলে সাগেগী শাদানহুই” (২০০১)** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“চেক্লা মাদি খঙলম্মী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)”** হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) **“নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লেন্দ ওফ ফেষ্টিবেলদা মীৎয়েং অমা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩১**

**জিতেন নামৈরাকপম**



হন্দক্কী কটারদা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ সেমিফাইনেল ষ্টেজ লানশিল্লক্তুনা ফাইনেল লৌনবা শেম শান্নখ্রে। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা হায়রগদি এসিয়ন কন্ত্রি অমত্তনা সেমিফাইনেল য়ৌরকপা ঙমদবা অসিনি। অর্জেন্টিনা থোইবা ঙমখিবা সাউদি অরাবিয়া, জর্মনি থোইবা ঙমখিবা জপান, কোরিয়া, ইরাননচিংবা পূম্নমক লৈহৌখিবা লোইনমক মপান থোকখ্রে। ময়াম্না আশা তৌনরম্বা স্পেন, পোর্টুগল নীংবা কায়না মরমদমদা হনখ্রে। ক্রোএসিয়া অমদি অর্জেন্টিনা মরাইবক ফবা অমনা ফাইনেল চঙলক্লগনি। ভাবক অয়াম্বনদি মেসি য়াওবা অর্জেন্টিনা টিমবু লূম্না লৌনব্রা খল্লি। নাকল অমদনা অমুক মোরোকোগা ফ্রান্সকা সেমিফাইনেল থেংনগদৌরিবা অসিদা ফ্রান্সনা হেন্না লূম্না লৌনবগুম তৌরি অদুবু মোরোকো সেমিফাইনেল য়ৌরক্লবনিনা মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা শান্নরক্কদৌরি। ফুটবোলদা ঙাওজবা ভাবকশিংনা মথ্বায় য়াওনা য়েংনবগীদমক শেম শাদুনা সেমীফাইনেল মেটচ য়েংনবা খৌরাংনা ঙাইনদুনা লৈরি।

মরক অসিদা বেট্টিং তৌবদা থৱায় য়াওবশিংনা থান্নবগী চাং অদুক্কী মতিক হেনগৎখ্রে। গোল থাদোক থাজিন তৌরুবা দ্রো চারুবনচিংবা কয়া অমা শেল লাখ লাখতা মাঙনবা য়াওখ্রে। হন্দক্কী সেমীফাইনেল য়ৌরকপা মতাং অসিদদি গোল থাদোক থাজিনগী ৱা লৈররোই। য়ান্থৎনবীনি, পুময়ান্নি। অথোই অথোইবনা লৌনবীনি। অদুবু পাউ অসুম তাবদা অর্জেন্টিনাগা ফ্রান্সকদা লূম্না লৌনরি। হান্নসু ইজখ্রবা শেল থানবগী মতাংদা জাৎ জাৎ তৌনবসু য়াওদবা নত্তে। বোল কনানা হান্না হৌগনি। য়েলো কার্দ কয়া চাগনি। করম্বা টিমগী গোল কিপ্পরনা বোল ইহান হান্না পায়গনি। কোর্নর কিক করম্বা টিমনা ইহান হান্না পায়গনি। ওফ সাইদ কনানা হান্না তাগনি। এসিষ্টেন্ট রেফরিনা করি ফ্লেগ মচু পায়গনি। অঙাংবা পায়গদ্রা, হঙ্গামপাল পায়গদ্রা ওন্থোক ওন্থোকপা ঙাক্তনি। মসিগী শেল খূৎথানসিদি মথৌ লৈতবগী ৱানি হায়নবসু য়াওরি।

হন্দক্কী ২০২২গী চহী লোইশিল্লকপা দ্রাই সিজন হায়গদ্রা নবেম্বর, দিসেম্বর থা, জন্যুৱারী, ফেব্রুৱারী ২০২৩ লাক্কদৌরিবা অসিসু ফনবু নুংঙাইগদৌরি। ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গা সঙাই ফেষ্টিবেলগা তোৎশিন্নদুনা লাকখিবনি। সঙাই ফেষ্টিবেল লোইশিনখিবা থাখায় ফাজিল্লক্লে। ফেষ্টিবেল লোইখিবগী মনিল খরা লৈহৌরগসু ফুটবোলদি অদুম্মক চথুরি। মণিপুরগী ফুটবোল লভরশিং অহিং তুমদবমখৈ ফুটবোল মেটচ য়েংনরি। কুইররোই, হাপ্তা ফাররোই ফাইনেল মেটচ লোইশিনখ্রগনি। মতাংসিদা হংজনীংবদি কুম্মৈ শুকৱাৎ ৱাত্তবা মণিপুর, লেন্দ ওফ ফেষ্টিবেল পরেং পরেং ক্যুদা চৎথনরি। চহী অমদা নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬ লৈবা অসিগী মনুংদা কেলেন্দর ফেষ্টিবেল ৫০গী মথক্তা লৈরি। চহী লোইশিল্লক্লগনি লাক্লগনি খৃষ্টিয়ন ধর্ম্ম চৎপশিংগী খৃষ্টমাস, বাই বাই ২০২২ অদুগা অমুকসু হেক নোংঙানবগী ন্যু য়র। সনা লৈবাক মণিপুরমুক নুংঙাইবা মফমবু মালেমগী করম্বা মফমদা লৈরমগদগে। য়াম্নসু ঈংদবা, য়াম্নসু শাদবা এয়র কন্দিসনগা মান্নরবা ঈশিং নুংশিৎ ক্লাইমেটিক কন্দিসন, প্রকৃতিনা পীরম্বা ফজখ্রবা চীং, পাৎ, তুরেল, চারিমখৈদা হাওবা মনা -মশিং, ঙা, চাক, হৈ-রা মখল মখলগী চিঞ্জাক কয়া। ইমা মণিপুর নঙগী তম্পাক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন পোকচগে, হঞ্জিন হঞ্জিন শিজগে। হরাও কম্মৈগী মতাংদসু তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংনা খুন্দাবা মণিপুর চহী অমগী থা ১২, থা খুদিংগী কুম্মৈ ২/৩/৪/৫ ৱাৎপা লৈতে। কুমজা ২০২৩গী কেলেন্দর মতুংইন্না লাক্লগনি ন্যু য়র জন্যুৱারী তারিখ ১ চৎখ্রবা মতুং জন্যুৱারী তারিখ ৩দা ইমোইনু ঈরাৎপা নুমিৎ। হেক নোংঙানবগী কবুই ইচিল ইনাওশিংগী গান ঙাই ফেব্রুৱারী ১৫দা নাগাশিংগী লুই ঙাইনি, রানি গাইদিনলিয়ু লৈখিদবা, শ্রীশ্রী শিবরাতি, মৌনি স্নান, শরোই খাঙবা হৌবা, গোবিন্দজি হোলি কাবা, মার্চ ৭ য়াওশঙ (নুমিৎ ৫নি), হলঙ্কার, বারুনি যাত্রা/চিঙ্গোই লুপ্পা, মৈতৈ চৈরাওবা, মহাবীর জয়েন্তি, বসন্ত রাস, গুদ ফ্রাইদে, গৌরগী চৈরাওবা, ইদুল ফিটর, রথ যাত্রা কাং চিংবা, ইদুল জুহা, হরিশয়ন, পুর্ন যাত্রা/কাংলেন, অদুদগী লাকখিগনি ওগষ্ট থাগী ছুটি ময়াম, দুর্গ পুজা, নিংঙোল চাক্কৌবা, পূম্নমক্কী মমিং ইরগদি তেনখ্রবা কলম অসিদা ইবা চল্লরোই। মরক অসিদা উখ্রুলগী সিরুই ফেষ্টিবেল, সিরারখোংগী মোরোক, কচ্চাইগী চমপ্রা, পাইন এপ্পল ফেষ্টিবেল, তমেংলোংগী কোমলা ফেষ্টিবেল, ঐখোয়গী মণিপুরদা পুথোকচবা পোথোকশিংগী কুম্মৈ পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি। চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা হায়বগী থিমদা চথুরক্লিবা ঐখোয়গী ফেষ্টিবেলশিংগী মনুংদা অমুক মখা চথরক্লি শিংজু ফেষ্টিবেল, বোরা ফেষ্টিবেল। কৈসু কায়দে য়াম্না ফৈ। হৌজিক্কী অঙাংশিং মেগ্গী, মিমিগী মহাওদি লৈহল্লগা হকচাংদা শুক্কান কান্নররোইদবা পেকেৎকী চিঞ্জাক চাগদবগী শরুক মখল ময়ান শুরবা ঐখোয়গী ইন্দিজিনস ফুদ শিংজু চাবা, হৈ-রা চাবগী হৈনবী লৈহন্নীংলি।

তৌবতবু মতাং অসি য়ৌরকপদা লেন্দ ওফ ফেষ্টিবেলগী মতাংদা ৱায়েৎ কয়াসু লাক্তবা নত্তে। ফেষ্টিবেল হরাও কুম্মৈসি খরা হেনমনখ্রে, ককথরসি হায়বসিদা লাল্লি হায়রুবসু য়ারোই। মেলা, মেলা জ্বার মেলাদা সেভন অপ দাউনদা লিশীং লিশীংদা মাঙনবা য়াওরি। ফেষ্টিবেল হায়বসিমক্তবু হরাও কুম্মৈনি হৌরক্লিবা নহারোল মহৈরোয়শিংগী ফাইনেল এগজাম থানগদবা মতমসিদা কোইনীংলক্কনি লাংনীংলক্কনি। পৈশা হুন্দোকপা চৎপগী মথক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোরকপসু য়ারি। তৌবতবু অরোইবা ওইনা হায়জনীংবদি শিংজু, বোরা চান্নীংবা চাবীয়ু। চান্নিংদবনা চাবীরুনু। হরাও কুম্মৈ খজিক্তং ককথৎপসু ফরব্রা খল্লি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

৫) খৃ: ২০২১ লোইবা ফাওবদা মীরমগী লাই গোবিন্দজি/অনুমহাপ্রভুনা ইরমদমসিদা লৈতবা চহী মশীং ২২৩ শুরে।

৬) কাইনাদা হৌবা থৈবোংনা গোবিন্দ অমদি ইবুধৌ পাখংবা মশা অমত্তা ওইনা চহী ১৮দগীনা ২২ ফাওবা অমনা অফোংবা অমনা লোৎনা পূন্না লৈমিন্নরম্লবা মতুংদা মীরম লাইনা মরমদা চৎখ্রবা চহী ২২৩সিদি কংলৈপাক মণিপুরসিগী ওইফম থোকপা লাইনা নিংথৌ ওইবদি ইবুধৌ পাখঙবনি। অদুনা হৌজিক হৌজিক ইবুধৌ পাখংবনা লৈবাকসিগী ওইনা (লাইগী) নিংথৌনি হায়না লৌফম থোক্লে।

৭) মীরোল ৭ (তরেৎ) নোংমা হেক হেনবদা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা হঞ্জিনবা হায়না য়ানখিবদু চহী খরা অদুক হেল্লবনিনা মরী লৈনবা অনকপা-অরাপ্পা-মীরৈবাকশিংদা লৈবশিং ঐখোয়না হৌজিক লৈবাক্কী ওইনা লাৎতুনা খুরুম খাজংবা তৌদুনা থৌজাল লনকুবীনবা হায়জ নোঞ্জগদবা মপান (লম) গী লাইদি ইবুধৌ পাখংবনি। অদুগা মালেমগী য়ূমথোঙ খুদিংগী য়ূম লাই ওইনা নীংজগদবা ঈনাৎকী লাইদি লাইনিংথৌ সনামহী, শন্থোং অপানবা, ঙৌবরেন্নি। শম্না, লাইনা ইবুধৌ পাখংবা অদুগা লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) না সনামহী লাইনীংনি।

সনামহী লাইনীংবু সেন্সস ওপরেসন্দা তোঙানবা কোদ অমগী মখাদা লাইনীং মশক তাক্লবা থৌরাংগী ষ্টেট এসেমব্লিদা রিএফার্ম তৌখিবা :-

সনামহী লাইনীংবু সেন্সস ওপরেসন্দা লাইনীং অসিগী তোঙানবা কোদ অমা পীবিনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তকশিন্নবগী মতাংদা কুমজা ২০০২গী জুলাই ৩১দা মতম অদুগী এম এল এ ওক্রম জয়না প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন অমা সনামহীগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হাওসতা পুখৎখিবদু হন্দক ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা মীফমগী অরোইবা নুমিৎ ওগষ্ট ৫, ২০২২গী অরোইবা এজেন্দা ওইনা এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা হান্নগী ৱারেপ রিএফার্ম তৌনবগী ৱাফম প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন ওইনা পুখৎলকপদু হাওসতা খন্নবা মতমদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা লৌখৎপদা হাওসকী লুচিংবা ওইরিবা সী এম বিরেননসু ৱারেপ অসি লৌবদা করিসু কায়দে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তুংদা হাওসনা হান্নগী ৱারেপ অদু রিএফার্ম তৌখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী “হাওসনা সনামহী লাইনীংগী ৱারেপ চেৎশিনখ্রে” হায়না তাং ৬/৮/২০২২দা ফোঙখি।

হায়রিবশিংসি মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা অওনবা খোঙথাং মক্তনি হায়না থমজগে।

নমথনবা হোৎনখিবশিং ময়াই চল্লকপা :-

লাইনীং লাইশোনগী লোনচৎ, চৎন-লোনচৎ অমদি নাৎ মান্নদবনা পূনবা কয়া য়ানদে। অদুবু অমনা অতোপ্পা অমদা নমথনবা হোৎনরুদ্রবদি/তৌরুদ্রবদি পূনবা কয়া য়ানদ্রবসু থোইনা নুংশিনদবা তৌদে। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি ফুরুপ মান্নদ্রবসু লাইনীং লাইশোন মান্নরবদি পুনবা য়াই, অদুম নুংশিনৈ। খুদম, হিন্দু অশেংবশিংগা ফুরুপ মান্নদ্রবসু মুকশন হিন্দুগা লাইনীং লাইশোন মান্নবনা মরম ওইরগা নুংশিনবগী মরী ইচম চম্না নকশিন্নবদগী মখোয় মশেল মখল খরগী মতেং পাংশিন্নরগা পূন্না য়োকখৎমিন্ননবা হোৎনৈ। য়োককৎমিন্নবগী মতাং মখাদা পঞ্জরকখিনি। খৃষ্টিয়ান মশেল, মুসলমান মশেল, অনীমক্তা ফুরুপ মান্নদ্রবসু, কনখৎনবা য়োকখৎনবা হোৎনৈ। ইনাৎ অশেংবা মশেল নুংশিনবা ঙমই, য়োকখৎনবা হোৎনৈ। মসি হৌনশানি। অমুকসু, লাইনীং লাইশোন মান্নদ্রবসু অচুম্বা পরম চৎপা, মান্নদবা লাইনীং লাইশোন চৎপা অশেংবগী কাঙবুগা অতোপ্পা অশেংবগী কাঙবুগা থোইনা য়েৎশিন্ননবগী মরম লৈত্রবদি থোইনা নুংশিদবা তৌদে, মনুংদা লোন্না থরুম তৌনবা হায়বদুদি লৈরম্বা য়াই হায়না লৌরগা/হিন্দু অশেংবসু নত্তবা ঈনাৎ অশেংবসু নত্তবা মুকসন লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) চৎপা অদুবু ফুরুপকী হৌরকফমদি মান্নরগসু লাইনীং লাইশোনগী লীচৎ মান্নদবদগী খুন্নাইগী অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা থবক তৌবদা অপন অয়েৎ অদুম থোকই হায়না লৌনৈ। অদুনা ফুরুপ মান্নরবসু অনীসি নকশিন্ননা নুংশিনবা ঙমদে। মরমদি **“মুকসন লাইনীং লাইশোন চৎলিবশিংনা তৌরিবসিদি মীরমগী হিন্দু লাইনীং লাইশোন অশেংবগী অশেংবা লীচৎ চৎপা মান্ননা মতৌ তম্লগা চৎপসু নত্তবীদা ইনাৎকী লাইনীং লাইশোনদগী মচং ওইবদু লৌখৎলগা/খনগৎলগা মীরম লাইনীং লাইশোন্দগী অমুক মচং ওইবা পুনশিনবদি য়াগদবদু, নাকল অনীমক্তগী খঙ হৈরবা মশেল কূপ্না খন্নদুনা তান্নরগা, তোৎশিন য়ানশিন্নরগা অনৌবা (হায়ব্রিদ) লাইনীং লাইশোননি হায়বদু থোকহন্নবা মমিং অমা থোনজিল্লগা হিন্দু মশাগী ওইবা লাইনীং লাইশোনগী শরুক অমা ওইনা শেমগৎলগা ইনাৎলোয়শিংবু নমথনবা হোৎনবদা ইনাৎ লাইনীং লাইশোনবু য়ারবদি মাঙহন্নবা হোৎনরক্তুনা য়ানশিন্নবা নাৎ/কলচরনা মীরম হিন্দু লাইনীং মশক তাক্লবা ময়োল লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীসি মান্নদুনা য়ুনেস্কোদা থারগা মীতৈ/মৈতৈ হিন্দুনি হায়না মালেমদা, নাকল নামতগী ওইবা মীৎয়েংদা য়ানশিন্নবা কলচরগী পোৎথোক ‘রাস লীলা’ ওইনা মফম খুদিংদা উৎ চাইদুনা শন্দোক্লবা হোৎনরিবসিনি। মুকশন লাইনীং লাইশোন পুথোক্লবা হোৎনবদা রাস লীলা করম্না শেমগৎলকখি/ওইরকখি হায়বসু মখোয়গী অখঙ অহৈশিংনা তৌখিবদু মখোয় মশানসু হিন্দুগী পীকতক্না মপূং ফারে হায়না লৌবা য়ারবা লমাবম গোজেন্দ্রনা খোমজিল্লগা পুথোকপা লাইরিক “মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র” হায়বসিদা য়াওবা মতাংদু মথক্তা পঞ্জখ্রে, অদুনা অমুক নৌহৌনা পঞ্জররোই।”**

হিন্দু অশেংবগা মুকশন হিন্দুগা য়ানবা অমদি য়োকখৎনবগী মতাং :-

হিন্দু অশেংবগী কাঙবুনসু ময়েক্কী অশেংবা থৌওংদি মুকশন নখোয়না তৌরিবসি হিন্দু অশেংবা ঐখোয়গী থৌওংগা তায়োন্নে হায়গদবনি। খুদম, নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এম ঐচ তরুন বিজয়না হায়রম্বা ৱাফম মথক্তা পঞ্জখিবশিং হঙ্গৎনা অমুক্তা পাবিয়ু। ঐখোয়গীদা তিনগে, ঐখোয়গী লাইনীং লাইশোন (রিলিজন চৎকে/লৌগে হায়রবদি শেংনা য়াও, শেংনা মখোয়গী ওইবা পরম চুম্না থৌরম পাঙথোকউ হায়গদবদু হায়দবসিনা মখোয় মশেল য়ানরগা য়োকখৎমিন্নবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। **“মুকশন কাঙবুনা হিন্দু অশেংবগী মীচং ওইবগী অচৌবা মরম অমদি মীরমগী লাইনীং লাইশোন চৎলগা সেন্সস ওপরেসনগী লাইনীং লাইশোন মান্নবা চৎপশিংগী মীকোক মশীং থিবদা হিন্দু লাইনীং লাইশোন চৎপা মশীং য়ামহনবদা মতেং পাংশিনবগীদমক ইচম চম্না মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন চৎপা অশেংবশিংনা য়াবীবগী ৱাফম ওইরম্বসু য়াই হায়না থমজগে। মুকশনগীগা ফুরুপ, শক-চু অমদি লোল-লি মান্নবা নৎত্রবসু হিন্দু মখোয়দা তাংজবা হায়বদু ওইরুবনা হিন্দু অশেংবগীসু অমুক মান্নদবা ফুরুপ কয়া অমা লৈরবসু মখোয়গীদমক্তদি মান্নবা লাই অমদি শঙলেন (মন্দির) লৈবনা লৈফমগীদমক্তসু পাক চাওথোরকপনা খুদোংচাবা কয়া অমা ফংবগী মথক্তা অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা হিন্দুগী লৈবাক/হিন্দু লৈবাক (রাজ্য) হায়নবা করিমত্তা হায়দবনি হায়বসি মুকশন হিন্দু লানীং চৎপশিংনা খঙজদবদগী ৱানি। ●**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।